## যুহা হাবদা শিখিবা মী মশিং ৩০ শুরে

জকার্তা, সেপ্তেম্বর ২৯ (এজেন্সি) : ইন্দোনেসিয়াগী নোংপোক থংবা প্রোভিন্স মালুকুদা থোকখিবা শাথিরবা য়ুহা হাবা অমদা শিখিবা মী মশিং ৩০ শুখিবগা লোয়ননা মীওই লিশিং চা কয়া ওথোরিটিশিংনা শেন্বা সেল্টরশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি হায়না নেসনল দিজাষ্টর মিটিকেসন এজেন্সিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

## সাউদি নিংথৌগী বোদিগার্দ হাৎখ্রে

রিয়াদ, সেপ্তেম্বর ২৯ (এজেন্সি) : মতম শাংনা সাউদি অরাবিয়াগী নিংথৌ সলমানগী পর্সনেল বোদিগার্দ ওইদুনা লাক্লবা সিক্যুরিটি ওফিসর অমা লৈবাক অদুগী নোংচুপ থংবা সিটি জেদাদা লৈবা লন্নাই য়ুম অমদা মহাক্কী মরুপ অমনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

ষ্টেট ব্রোটকাষ্টরনা মীহাৎ অদু লন্নাই নুংঙাইনদবগা মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোকখি। থাংজ নুমিৎকী অহিংদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু করম্বা মওংগী নুংঙাইনদবদগীনো হায়বগী মতাংদা মিদিয়ানা অকুপ্পশিং পনখিদে।

## ‘যুক্রেননা হন্টর বাইদেনগী মরমদা থিজিনগদবনি’





কিভ, সেপ্তেম্বর ২৯ (এজেন্সি) : যুক্রেননা যু এস প্রসিদেন্টকী মীখলগী কেন্দিদেন্ট জো বাইদেনগী মচানুপাগী মরমদা থিজিন্দুনা মহাক্না যুক্রেনগী গ্যাস কম্পনি অমদা লৌখিবা থৌদাং লৈবাক অসিগী লোশিংগা চানখি নৎত্রগা চানদে হায়বা খঙদোক্কদবনি হায়না যুক্রেনগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মাইকোলা অজারোভনা ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখ্রে।

অজারোভনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবা মতমদা জো বাইদেনগী মচানুপাগা মরী লৈনগদৌরিবা যুক্রেনগী লোশিং অদু করম করম্বনো হায়বদুদি পনখিদে। যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা জুলাইদা যুক্রেনগী মহাক্কী লেংমান্নবা ভোলোদিমির জেলেন্সকিদা ফোন তৌদুনা জো বাইদেনগী মচুনুপা হন্টর বাইদেননা গ্যাস কম্পনি অদুদা তৌরিবা থবক থৌরম কয়া যুক্রেনগী প্রোসিক্যুটরশিংবু য়েংশিনহন্নবা তকশিনখি হায়বা উৎপা মেমো অমা হ্বাইট হাউসনা ফোঙখিবা মতুংদা হন্টর বাইদেননা বুরিসমা হোল্ডিংস লিমিটেদ কৌবা কম্পনি অদুদা লৌখিবা থৌদাংগী মরমদা মীৎয়েং চঙনরকখিবনি।

জো বাইদেনগী ইলেক্সন কেম্প্যেনগী স্পোক্সপর্সন অমনা যুক্রেনগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরনা বাইদেনগী মচানুপানা তৌখিবা থবকশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা তকশিল্লিবদুগী মতাংদা কমেন্ট পীয়ু য়াখিদবগা লোয়ননা হন্টর বাইদেনগী কৃটিক অমত্তনা মহাক্না যুক্রেনগী লো খোঙ্গাওনখি হায়বগী ইভিদেন্স উৎপসু লৈত্রি। যুক্রেনগী নেসনল এন্টি-করপসন ব্যুরোনা ইরাই নুমিত্তা হায়খি মদুদি, ব্যুরো অসিনা কুমজা ২০১০-১২গী মনুংদা বুরিস্মাদা চথখিবা থবকশিংগী মরমদা থিজিনবা হৌরে। তৌইগুম্বসুং হন্টর বাইদেন্না কুমজা ২০১৪ দা কম্পনি অসিদা য়াওখিবা মতুংদা কম্পনিগী বোর্দতা লাকখিবা অহোংবশিংগী মতাংদদি য়েংশিনবা লৈতে।

রিপব্লিকান অমা ওইরিবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিগা ফোনদা ৱারী শান্নখিবগী মতাংদা ৱিসলব্লোৱর অমনা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎলকখিবা মতুংদা যু এস হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসকী দেমোক্রেটশিংনা ট্রম্পকী মায়োক্তা ইম্পীচমেন্ট ইনক্বাইরি অমা চথরলিবনি। লোমেকরশিংনা ট্রম্পকী থৌওং অদুনা নেসনল সিক্যুরিটি অমদি যু এস ইলেক্সন্দা শোক্লিংঙাই ওইব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনরিবনি।

## সিরিয়াগী কন্সটিট্যুস্নেল কম্মিটিদা অনৌবা কন্সটিট্যুসন ড্রাফট তৌনবগী অয়াবা পীখ্রে



য়ুনাইটেদ নেসন্স, সেপ্তেম্বর ২৯ : নৌনা শেন্বা সিরিয়াগী কন্সটিট্যুস্নেল কম্মিটিদা লানগী অচৌবা চৈথেং নংলবা লৈবাক অসিগী অনৌবা কন্সটিট্যুসন অমা ড্রাফট তৌনবা খঙহনখ্রে হায়বসি গভর্নমেন্ট অমসুং ওপোজিসন্না য়ানরবা টর্মস ওফ রিফরেন্সতগী খঙবা ঙম্লে হায়রি।

কন্সটিট্যুস্নেল কম্মিটি অদুনা কুমজা ২০১২কী সিরিয়াগী কন্সটিট্যুসন লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগা মরী লৈনবা অতে এক্সপরিয়েন্সশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা রিভিয়ু তৌবা য়াই অমসুং হৌজিক লৈরিবা কন্সটিট্যুসন অদুবু এমেন্দ তৌবা নৎত্রগা অনৌবা কন্সটিট্যুসন অমা ড্রাফট তৌবা য়াই হায়বসি য়ুনাইটেদ নেসন্সনা থাংজ নুমিত্তা রিলিজ তৌখিবা টর্মস ওফ রিফরেন্স অমসুং কোর রুলস ওফ প্রসিঞ্জরনা উৎখ্রে।

কন্সটিট্যুস্নেল কম্মিটি অদুগী অচৌবা বোদি অমগা অপীকপা বোদি অমগা লৈগনি। মেম্বর ৪৫গী অপীকপা বোদি অদুনা কন্সটিট্যুসনগী প্রপোজলশিং শেম-শাবা অমদি ড্রাফট তৌবগী থৌদাং লৌগনি অমদি কম্মিটিগী মেম্বর ১৫০গী ওইবা অচৌবা বোদি অদুনা অপীকপা বোদিনা পীখৎলকপা প্রপোজনশিং অদু খন্নবগা লোয়ননা অরোইবা ৱারেপ লৌগনি। অচৌবা বোদি অদুগী মেম্বর ৫০ গভর্নমেন্টনা নোমিনেট তৌগনি, অতোপ্পা মেম্বর ৫০ না ওপোজিসন্না নোমিনেট তৌগনি অমদি সিভিল সোসাইটিগী মীহুৎ ৫০ য়াওগনি হায়রি।

## প্রোটেষ্টর, পুলিসকী লান মরক্তা হোং কোংগী লম্বীশিং মৈ চাকখ্রে



হোং কোং, সেপ্তেম্বর ২৯ (এজেন্সি) : হোং কোংদা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা থা অহুম হেন্না প্রোটেষ্ট কয়া চথরকখিবদা নোংমাইজিং নুমিত্তা উবা ফংখিবা খ্বাইদগী শাথিবা মওংগী প্রোটেষ্টতা পেট্রোল বোম লংলিবা এক্তিভিষ্টশিং তানখায়নবা হোৎনবদা সিটি অসিগী পুলিসনা অহানবদা টিয়র গ্যাস রাওন্দ কয়া কাপখিবা মতুংদা ৱাটর কেনন অমসুং রবর বুলেট কয়া কাপখ্রে।

চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অদুগী লম্বীশিং নুমিদাংৱাইরমগী মতমদগী অহিং চুপ্পা মফম কয়াদা মৈ থাখিবগা লোয়ননা দেমোনষ্ট্রেরশিংনা অহিংদা পুলিসকা কন্না মুক্নখিবা মতুংদা কোজৱে বে সোপ্পিং দিষ্ট্রিক্ট, ৱান চাই বার এরিয়া অমসুং সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট ওফিসশিংগী মফম ওইরিবা এদমিরেল্টি দিষ্ট্রিক্টতা প্রোটেষ্টরশিংনা কোয়চেন চেন্দুনা পুলিসকা খুৎ থোক্নখি। পিপলস রিপব্লিক লিংখৎখিবগী ৭০ শুবা কুমওন নুমিৎ ওইরিবা চাইনাগী নেসনল দে ওক্তোবর ১ গী মাঙওইননা অহেনবা প্রোটেষ্ট কয়া চথনবা শেম শাখ্রবনি হায়না লৌনরি।

এদমিরেল্টি দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ৱান চাইদা কা হেনবা থৌওংশিং উৎখিবা প্রোটেষ্টরশিং তানখায়বদা পুলিস ওফিসরশিংনা মরম চাবা মওংগী ফোর্স শীজিন্নরি অমসুং কোজৱে বেদা য়াম্না থুনা দেমোনষ্ট্রেরশিং তানখায়নবা ওপরেসন চথরগনি হায়না পুলিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

চয়োল খরগী মমাংদা এক্তিভিষ্টশিংনা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা স্লোগান কয়া য়েকশিন-ইশিন্দুনা মশক থিহনখ্রবা লেজিসলেটিভ কাউন্সিলগী বিল্ডিংগী মথক্তগী পুলিসনা প্রোটেষ্টরশিংদা টিয়র গ্যাস কাপখি। অমুবা মায়খুম উপ্পা কয়া য়াওরিবা প্রোটেষ্টরশিংনা মখোয়না পায়রিবা ছাটিনশিংগী মরুমদা লৈদুনা টিয়র গ্যাসতগী ঙাকথোক্লবা হোৎনখি।

প্রোটেষ্টর খরনা টিয়র গ্যাসকী কেনিষ্টরশিং লৈমায়দগী খুনগত্তুনা পুলিসকী মায়কৈদা অমুক লংশিনখি। মখোয়না ট্রোলিশিং, শীজিন্নবা লোইরবা কেনশিং অমসুং অতে পোৎশক কয়া শীজিন্নদুনা বেরিকেদশিং শেমগৎখি। ৱান চাই মেট্রো ষ্টেসনদা লৈবা পুলিসতা প্রোটেষ্টরশিংনা পেট্রোল বোম অমা লংশিনখিবগা লোয়ননা ষ্টেসন অদুগী এন্ট্রান্স অমা মৈ চাকখি। য়াল্লবদা পেট্রোল বোম অমা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ওফিসশিংগী গ্রাউন্দদা তাশিনখি অমসুং থোঙনাও কয়া অকায় অতোয় থোকখি।

## অফঘান প্রসিদেন্টকী মীখলদা ভোটর মশিং য়াম্না হন্থখি



কাবুল, সেপ্তেম্বর ২৯ (এজেন্সি) : অফগানিষ্টনগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা ভোটরশিং থোক্লক্লবগী চাং ওফিসল ওইদবা ইষ্টিমেটকী মতুং ইন্না মীওই মিলিয়ন ২ দগী খরদমক হেনবা নৎত্রগা রেজিষ্টর ভোটরশিংগী চাদা ২০ লোমদমক ওইখি হায়না ওফিসল অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ভোটর মশিং য়াম্না শরুক য়াদবনা মরম ওইদুনা মীখলদা অকায়বা লাকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈরম্বদু চুম্লগনি হায়না থাজনরি।

থাংজ নুমিৎকী মীখলদা থোক্লক্লখিবা ভোটরশিংগী মশিং অদু কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিদবা মমাংগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা ভোট থাদবা থোক্লখিবা অফঘান ভোটর মিলিয়ন ৭ লোম অদুদগী য়াম্না হেন্না হন্থরি। সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংনা মীখল অদু ঈংনা চিক্লা পাঙথোকখি হায়না লৌনরবসু ভোটর মশিং য়াম্না থোরক্তবা অমসুং ভোটিং সিষ্টেমগী মরমদা কমপ্লেন্ট কয়া লৈবদগী মীখলগীময়েক শেংদবা রিজল্ট অমনা লানগী চৈথেং নংদুনা লাক্লবা লৈবাক অদুবু মখা তানা কাং খোং চাইবগী ফিভম অমদা লাকহনগদৌরিব্রা হায়বগী অকিবা হেনগৎহনখি।

টালিবাননা দিমোক্রেসিদা অকনবা চৈথেং পীনবা হোৎনরিবা কয়াগী মরক্তা নোংচুপ্লোমগী লৈবাকশিংনা শৌগৎপা অফঘান গভর্নমেন্টনা লৈবাক অসিগী দিমোক্রেসি কনবা ঙম্মী নৎত্রগা ঙমদে হায়বা খঙগদবা অচৌবা চাংয়েং অমনি হায়না লৌনরিবা মীখল অদুদা অফঘান কয়ানা মিলিটেন্টশিংগী ৱার্নিংশিং থৌশাদনা ভোট থাদবা থোক্লখি। তৌইগুম্বসুং রেজিষ্টর তৌরবা ভোটর মিলিয়ন ৯.৬৭ গী মনুংদা শুপ্পগী মীওই ৫গী মনুংদা অমরোমগী চাংদা ভোট থাদখি হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। মমাংদা পাঙথোকখিবা অফঘানিষ্টানগী মীখলশিং নমথাক তৌবগী মরাল শীনবশিং, মীশি-মীনা কয়া থোকপা অমদি লৈবাক অসিগী ইলেক্সন কম্মিসন মনীং তৌনা থবক তৌবা ঙমদে হায়বা ৱাফম কয়ানা মশক থিহনখিবনি। মমাংগী অসিগুম্বা ইশ্যুশিং অসি থাংজ নুমিৎকী ভোট অসিদগী লাপ্পা চৎখিরোই হায়না লৌনরি। সিক্যুরিটিগী ফিভম লেপ্পুনা শোকচিল্লকপা অমসুং টালিবানগী ৱার্নিংশিংনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া ভোট থাদবা থোক্লখিদবনি। মীখল নুমিত্তা টালিবান ফাইটরশিংনা পোলিং ষ্টেসন কয়াদা এটেক তৌদুনা অশোক-অপন কয়া থোকহনখি।

## য়েমেনগী হৌথিশিংনা সাউদি বোর্দর এরিয়াদা এটেক তৌখ্রে



দুবাই, সেপ্তেম্বর ২৯ (এজেন্সি) : য়েমেনগী হৌথি মুভমেন্টনা সাউদি অরাবিয়াগী খা থংবা লমদম নজরংগী বোর্দর মনাক্তা অচৌবা এটেক অমা চথখিবগা লোয়ননা ট্রুপ অমসুং ভেহিকল কয়া ফাজিনবা ঙম্লে হায়না গ্রুপ অসিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

তৌইগুম্বসুং হৌথিশিংগী ক্লেম অসি সাউদি অরাবিয়াগী ওথোরিটিশিংনা খুদক্কী ওইনা কনফার্ম তৌখিদে। হৌথিশিংগী মিলিটরি স্পোক্সমেনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, এটেক অদুদা য়েক্লবগী মিলিটরি বৃগেদ কয়া কায়খ্রে। মহাক্কী মতুং ইন্না এটেক অদু পুং ৭২ গী মমাংদা পাঙথোকখিবনি অমসুং মদুদা গ্রুপ অসিগী দ্রোন, মিসাইল অমসুং এয়র দিফেন্সকী য়ুনিটশিংনা মতেং পাংখি।

হৌথি মুভমেন্টনা চল্লাইবা অল মসিরাহ টি ভিনা স্পোক্সমেন অদুগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, ইরানগা মীচং চুংশিন্নবা য়েমেনগী গ্রুপ অসিনা সাউদি আর্মিগী ওফিসর অমসুং লান্মীশিং য়াওনা য়েক্লবগী ট্রুপ লিশিং কয়া অমদি আর্মর ভেহিকল চা কয়া ফাখি।

হীরম অসিগী মতাংদা কমেন্ট লৌনবা রোইটর্সনা হায়জখিবদা চহী ৪ হেন্না য়েমেনদা হৌথি গ্রুপকা লান শোন্নরক্লিবা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসনগী স্পোক্সমেন অমনা খুদক্কী ওইনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ য়াখিদে।

কুমজা ২০১৪ দা হৌথিশিংনা কেপিটেল সানাদা লৈরিবা মালেম্না শকখঙবা গভর্নমেন্ট চিংথুখিবা মতুং কুমজা ২০১৫ গী মার্চতা লৈবাক অদুগী ৱাথোক্তবা খুৎ থিংজিনবা হৌখিবা সুনি মুস্লিম কোলিসন অদু নোংচুপ্লোমগী লৈবাকশিংদগী খুৎলায় অমদি ইন্টলিজেন্সকী মতেং ফংলিবনি।

হৌখিবা দিসেম্বরদা যু এননা ৱাতেমদুনা হৌথিশিং অমসুং য়েমেনগী সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন্না শৌগৎপা গভর্নমেন্টকী মরক্তা য়ানখিবা প্রিজনরশিং থাদোক্লবগী দিল অমা হৌজিক ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোক্তনা লৈরি। নাকল অনীনা দিটেনি লিশিং ৬ থাদোক্লবা হায়না য়ানখিবনি।

## যু এন বোদিগী ষ্টেটমেন্ট ইজিপনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



কাইরো, সেপ্তেম্বর ২৯ (এজেন্সি) : হন্দক্তা ইজিপতা চথখিবা প্রোটেষ্ট কয়াগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় কম্মিস্নর ফোর হ্যুমেন রাইটস (ও ঐচ সী ঐচ আর)গী ওফিসনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমা ইজিপসন গভর্নমেন্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

যু এনগী এন্টিটি অমনা অসিগুম্বা ষ্টেটমেন্ট অমা থোকপা হায়বসি য়াফম থোক্তে। থাঙ্গৈশেংবা অমসুং অচুম্বা ৱাফমশিংগী মায়োক্তা ওইবা ৱাখল্লোন খরা পোকহন্নবগীদমক্তা ৱাখলনা পংশা শাগত্তুনা অসিগুম্বা ষ্টেটমেন্ট থোকপা অরানবা থৌওংনি হায়না থাংজ নুমিত্তা ইজিপকী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ইজিপকী প্রোটেষ্টশিং অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা মীওই কয়া ফাগৎখিবগী মতাংদা ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা প্রোসেস মতিক চানা লৌখৎখিদে হায়বা রিপোর্টশিংগী মতাংদা ইরাই নুমিত্তা যু এন হায় কম্মিস্নর ফোর হ্যুমেন রাইটস মিচেলি বাচেলেটনা কন্না নুংনাংবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইজিপকী ওথোরিটিশিংদা ইন্টরনেসনল নোর্মস অমসুং ষ্টেন্দার্দস মপুং ফানা ইন্দুনা ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন অমসুং পিছফুল এসেমব্লিগী রাইট ইকাই খুম্নবা তকশিনখি।

মহাক্কী ষ্টেটমেন্টনা ইজিপসন ওথোরিটিশিংদা মতুংগী প্রোটেষ্টশিং থেংনবদা হন্দক্তা চথখিবা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইদবা থৌওংশিংদগী হোংদোক্লবা তকশিনখি। চৈরকসিদা ইজিপকী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা বাচেলেটকী ষ্টেটমেন্ট অদুবু মদুদা শীরিবা মরাল কয়া ৱাখলনা পংশা শাগৎপা ৱাফমশিংদা য়ুম্ফম ওই হায়রদুনা য়ুম্ফম য়াওদবা পাউনা লিশিং ওইদুনা শেমখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লোইদা লৈরিবা ইজিপসন কন্টেক্ট্রর অমনা ওনলাইনদা ভিদিও কয়া থাগত্তুনা গভর্নমেন্টবু শেঞ্জা-থুমজা তৌবা অমসুং কান্নদবদা পব্লিক ফন্দশিং চাওনা চাদিং তৌথোকপগী মরাল শীখিবা মতুং হৌখিবা চয়োলদা ইজিপসন চা কয়ানা লৈবাক অসিগী গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা সিটি কয়াদা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি। ইজিপকী প্রসিদেন্ট অব্দেল-ফট্টাহ অল-সীসীনা মমাংদা যু এন বোদিনা শীরিবা মরাল কয়াবু মীনম্বা অমদি মহাক নৎত্রগা মহাক্কী গভর্নমেন্টপু মীংচৎ থিহন্নবগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

## ফাজিল্লুরবা বৃটিশ টেঙ্কর দুবাইগী হিথাংফমদা খামখ্রে



দুবাই, সেপ্তেম্বর ২৯ (এজেন্সি) : থা অনী হেন্না ইরাননা ফাজিল্লুরবা মতুং থাদোরকখিবা বৃটিশ ফিরাল থেৎপা ওইল টেঙ্কর ষ্টেনা ইম্পেরো দুবাইগী হিথাংফমদা খামখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা ইরানগী ঈশিংদগী থৌদোরকখিবা ওইল টেঙ্কর ষ্টেনা ইম্পেরো হৌখিবা জুলাই ১৯ দা ইরানগী রেভোল্যুসনরি গার্দসনা ষ্ট্রেট ওফ হোমুর্জ ঈশিং লম্বীদা ফাজিনখিবনি। থৌদোক অদু বৃটিশ ফোর্সশিংনা ইরানগী টেঙ্কর অমা গিব্রাল্টরগী টেরটরি মনাক্তা ফাজিন্দুনা থমখিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা থোকখিবনি। ইরানগী জহাজ অদু গিব্রাল্টরনা হৌখিবা ওগষ্টতা থাদোকখি। জহাজ ষ্টেনা ইম্পেরোগী মপু ওইরিবা স্বিদেনগী ষ্টেনা বল্ককী চীফ এগজিক্যুটিভ ঈরিক হনেলনা হৌজিক জহাজ অদু দুবাইদা য়ৌরক্কদৌরে হায়না থাংজ নুমিত্তা হরাওনা লাউথোকখি।

ষ্টেনা বল্কনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়ন ১৩, রসিয়ন ২, ফিলিপিনো ১ পুন্না ক্রু মেম্বর ১৬ দুবাইদা মেদিকেল চেক চথরবা মতুংদা মখোয় মখোয়গী ময়ুম লৈবাকশিংদা য়ৌহনখ্রগনি। ক্রু মেম্বরশিং অসি ৱাখল য়াম্না নুংঙাইরে। সমুদ্র খোংবানদা হেক কাখৎলকপগা মখোয় মেদিকেল প্রোফেস্নেলশিংনা চেক তৌগনি।

তৌইগুম্বসুং ভেসেল অদুগী কেপ্টেননা ঐখোয়দা হিরোয় পুম্নমক মশাদা অশোয়-অঙাম য়াওদনা লৈরি হায়না পাউ পীরকখ্রবনি হায়না ষ্টেনা বল্ককী ৱারোল পল্লদুনা দেলি মেলনা ফোঙদোকখি।

## কনাদিয়ন টুরিষ্ট অমা শিরে

দর এস সলাম, সেপ্তেম্বর ২৯ : ইষ্টর্ন অফ্রিকাদা লৈবা মীয়াম্না পাম্নরবা টুরিষ্ট হোটস্পোট অমা ওইরিবা তেঞ্জানিয়াগী মাউন্ট কিলিমাঞ্জারো চীংদা থোকখিবা পরাগ্লাইদিং এক্সিদেন্ট অমদা কনাদিয়ন নুপা অমা শিরে হায়না তেঞ্জানিয়া নেসনল পার্কসকী ওফিসল অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী পারাসুট ফন্দোর-কাখিবদবদগী মহাক লৈমায়দা তাদুনা শিখিবনি হায়না ষ্টেটনা চল্লাইবা তেঞ্জানিয়া নেসনল পার্কতা সিনিয়র এসিষ্টন্টে কঞ্জার্ভেসন কম্মিস্নর ওইনা লৈরিবা পাস্কাল সেলুটিটনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি। অফ্রিকাগী খ্বাইদগী ৱাংবা চীংদোল ওইরিবা মাউন্ট কিলিমাঞ্জারো অসি সমুদ্রগী ঈমায়গী থাক্তগী ফুট ২০,০০০ লোম ৱাংলিবনি।

OFFICE OF THE REGISTRAR OF SOCIETIES, MANIPUR

**NOTICE FOR OBJECTION**

Imphal, the 27th September, 2019

No. Prop/M/SR/2019: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from “Armsport Association” on 09/09/2019 for registration under Section 4(1)(2) Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of the whole Manipur.

In the matter, notice for objection is circulated/notified for information of general public /registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (AADHAR of the complainant or Secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of propose society/organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaints/Objections if not submitted during the mentioned periods, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/ Organisation may be initiated /considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection received by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered /entertained.

Sd/- T. Pradwipkumar Singh
Asst. Registrar of Societies, Manipur

HL-P/4370/30